গোপীচান্দ একাদেমিদা লৈবা থা অনী হেক ফারকপগা ঐখোয় ফজনা ইমপ্রুভ তৌরকখি : কোন্থৌজম দিঙ্কু

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী

বেদমিন্টন্দা মিৎয়েং অমা

কোন্থৌজম দিঙ্কু

(হান্নগী মখা…)

গোপীচান্দ একাদেমিদা লৈরকখিবগী মতাংদা কোন্থৌজম দিঙ্কুনা অসুম্না হায়, ঐগী ওইনদি বেদমিন্টন শান্নবা হৌরকপা মতমদা প্লেগা ইরায় লায়না শান্নবা ফংলকপা প্লেয়রসু ওইরক্তে। অদুনা প্রেক্টিশসি শুম শুম কনখৎলগা শান্নবা হৌরকপনি। অহানবা ইন্টর স্কুলগী চৎপা মতমদসু ষ্টেন্দবাই ওইরগা ইমান্নবা ময়াম্না শান্নরগা খুবাক খুবা ওইনা চৎলকখিবনি। মতমদুদা ঐনা খল্লকপসি টিমদা অমুক্তং শান্নবা ফংলবদিকো হায়বসিখক্তংনি।

মঞ্জিৎকা পারগা সব জুনিয়রদা ওল ইন্দিয়া রেঙ্কিংগী কর্ণাটাকাদা কুমজা ২০১৪ দা (অন্দর-১৩) চৎলকপসিনা ঐগীদি অহানবা নেসনল শান্নবনি। মসিদা ঐখোয় সেমী ফাইনেল য়ৌবা ঙম্লে। অদুগা হায়রিবা চহীদুমক্তদা হরিয়ানাগী রোটক্তা তৌখিবা ২৮শুবা সব জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ (অন্দর-১৩ বোইজ দবলস) তা ঐগা মঞ্জিৎকগী জুরানা রন্নর্স-অপ তারকখি। মতমদুদা ঐখোয়গা ফাইনেলদা শান্নখিবা টিমদু গোপীচান্দ একাদেমিগী প্লেয়র ঙাক্তনি। ঐখোয়না একাদেমিসিদা লাল্লবা মতমদা লোয়না অমুক থেংনৈ। কুমজা ২০১৪ দা ঐখোয়নীগী পার্ফোমেন্স অসি জর জর হাইগৎলক্তুনা থাক অমদদি লৈজরল্লবনি। কুমজা ২০১৫ দদি মেট্রিক থাবগী হোৎনবদা শান্নবদা য়াম্না দাউন চৎলকখি। হান্নগী লেভেলদু য়ৌবা ঙমখিদে। নেসনলদা রন্নর্স-অপ ফাও তাদুনা লৈরম্বদু মমাঙদা শান্নমিন্নখিবা কাঙবুদুনা ২১-৯, ২১-৭ তা থিনা থোইদৎলমখি। শান্নবসিসু প্রেক্টিশ কন্না তৌদ্রবদি অদুম হাইথরকই। লাইরিকসু হোৎনদবদি য়াদবনিনা পোরকপদু মেট্রিক পাস তৌরবা মতুংদা কন্না অমুক হোৎনদুনা শান্নরগে খল্লগা নুংঙাইতনা হল্লকখি।

কুমজা ২০১৬ কী এপ্রিল থাদা গোপিচান্দ একাদেমিদা জোইন তৌরকপদগীদি মঞ্জিৎ ঐখোয়নি কন্না হোৎনদুনা শান্নরকখ্রে। মফমদুদা চাউরাক্লা নুমিৎ মঙানিমুক্তি এদজষ্ট তৌবদা চঙখিবা মাল্লি। হান্নদি কিথি কিরুম তৌদুনা করি তৌগনি হায়বফাও নিংথিনা খঙদনা কনাগসু ৱারী-ৱাতাই থোইনা শান্নদনা লেনখি। অদুবু শান্নবনা মপূং ওইবা পুন্সি ওইবনিনা ইরায় লায়না অদুমক চুশিন্নবা ঙমখ্রে। ট্রেনিংসিসু ৱার প্রেক্টিশ তৌদুনা সার সৈত্যমনা তকখায়রকপদগীদি বেদমিন্টন শান্নবগী নুংঙাইবা মহাও অদুসু ফংবা ঙম্লকখ্রে। অনৌ অনৌবা টেক্নিক, টেক্টিশ কয়া মথং মথং তাক্লকপসিদা লৌশিনবা ঙম্মনবা মঞ্জিৎ ঐখোয়নীসি অঙন্বা থাক্তা হোৎনরে। অনৌবা অমা হেক তাকপীরকপগা মদু মওং তানা হৈনবা মদুদা অদুম ৱাখল থাদদুনা শান্নবা হৌরক্লে।

গোপিচান্দ একাদেমিগী শান্নরোয়শিং

একাদেমিগী ওইনা পীরিবা ট্রেনিং ষ্টাইলসিসু থাংজগা য়ুমশকৈশগদি গেম ওইনা শান্নহল্লি। হায়রিবা নুমিৎদুদা প্লে ফজনা শান্নবা ঙম্লবদি একাদেমিগী ওইনা মশক খঙবীবা থাক অমদা থন্বী। অদুনা শান্নবা মতমদা থোইননবা শান্নদবা য়াদে হায়বসি মঞ্জিৎকা ঐখোয়নীদি থৱায় য়াওনসু হোৎনজে। অনৌবা চঙলকপসু ওইবনিনা য়ারিবমখৈ শোয়হল্লোইসি হায়বসি অদুম ঙাওনৈ। পোবু পোরবদি মখাদা ইন্থে হায়বা অমসু লৈবনিনা মদু থোক্তনবদি শান্ননীংই। থৱায় য়াওনা হোৎনবা হায়বসিদি ওজাশিংনসু খঙবি। ঐখোয়নীনা ৱাসু কয়া ঙাঙদনা কন্না হোৎনজরকপগী মপান্না শুপ্লগী থা অনী ফারকপা মতমদা বেদমিন্টনগী তোঙান তোঙানবা টেক্নিক, টেক্টিস ফনা য়াম্না খঙবা ঙম্লকখি। খরা খরা ইমপ্রুভ লাক্লে হায়বসি ইশাদসু ফাওরকখি। থা অনী হেক শুরকপা অদুৱাইদদি একাদেমি মনুংদা লৈরিবা মমিং লৈবা অফাওবা প্লেয়রশিংদুগা শান্নবা ঙম্লগনি হায়না খল্লকখি। হায়রিবা মতমদুদদি সার সৈত্যম্না দ্রাইভ, দ্রাইভ হায়দুনা লাউরকপদা মীৎ-না ইথক থক্কৎপদুসু ঐখোয়নীমক অমত্তা তৌদ্রে। অদুনা নেসনল লেবেলদা রেঙ্ক ৱান্দা লৈবা প্লেয়রশিংদুগা শান্নবা ঙম্লগনি হায়বা ৱাখলসু লাকখ্রে। সুমাইনা লৈরিঙৈসিদা নোংমদি রেঙ্ক ৱানগী কাঙবুদুগা ঐখোয়গা সার সৈত্যমনা শান্নহনখি। হায়রিবা প্লেয়রশিংদুনদি ঐখোয়নীসি করিসু লুনা খন্দনা শান্নবা হৌরকখি। খরা লাইথোক্লা শান্নৈ হায়বসি ঐখোয়সু অদুম খঙই।

-মথং-মথং

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৫৩

১. কুমজা ২০০২ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ফুটবোল কপ্তা ফ্রান্স অমসুং চাইনানা মায়োক্নবা টিমদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। টিম অনী অসি নত্তবা অতোপ্পা টিম অমসু মায়োক্নবা টিমদা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং করি কৌবগে?

২. করম্বা মশান্নদা মণিপুরনা অসামগী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট (চেম্পিয়নশিপ) টুর্নামেন্টতা মাপল্লক চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবগে?

৩. মণিপুর টিম্না অহানবা ওইনা বাইটন কপ্তা শরুক য়াখিবদা টিম মেনেজর ওইখিবা মীওইদুগী মমিং করি কৌবগে?

৪. মহাক্না অহানবা ওলেম্পিক্তা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংখি। চহী ১৬ কী মতুংদসু ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্বী নুপীগী অহানবা শান্নরোয়নি। মহাক্কী মমিং করি কৌবগে?

৫. পীরিবা লাই অসিগী মমিং হায়য়ু।



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫ লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

ফুটবোল কোচিং কেম্প পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, ওগষ্ট ০২ : লোক্তাক বৃগেটকী মিৎয়েং মখাদা কোথাল দিভিজন্না শিল্লগা বিষ্ণুপুরদা লৈবা মেজর এল জোতিন সিংহ অশোক চক্র স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লমদমসিগী নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংবু শেমগৎননবা অমদি মখোয়দা লৈরিবা হৈশিংবশিং অদু উৎথোক্নবগী তাঞ্জা অমা ফংহনবা ওইনা ফুটবোল কোচিং কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না পি আই বি দিফেন্সনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, ফুটবোল কোচিং কেম্প অদু হৌখিবা জুলাই ৪ দগী হৌদুনা চথরকখিবনি। কেম্প অদুদা নহা ওইরিবা শান্নরোয় ১০০ গী মথক্তা শরুক য়াখি। মখা তানসু লমদমসিগী নহা কয়াদা অসিগুম্বা মখলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী থাক্তা পাঙথোকপা তোঙান তোঙানবা চেম্পিয়নশিপশিংদা মখোয়গী হৈশিংবশিং অদু উৎথোক্নবগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭

কেজি ৬৫ মখাগী কেটাগোরিদা পি থোজিনা চেম্পিয়ন, থিওনা ফার্ষ্ট, রোমিওনা সেকেন্দ অমসুং সাওফুনা থার্দ রন্নর্স-অপ তাখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : মণিপুর লৈঙাক্কী মিৎয়েং মখাদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) সেনাপতিনা শিল্লগা সেনাপতিগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী কেজি ৬৫ মখাগী কেটাগোরিদা তুঙমদগী পি থোজিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে। অদুগা তুংজোইদগী এন জি থিওনা ফার্ষ্ট, তুঙমদগী এস রোমিওনা সেকেন্দ অমসুং মাইবা খুলদগী দি পি সাওফুনা থার্দ রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী কেজি ৬৫ মথক্কী কেটাগোরিগী ওইনা ফাইনেলিষ্ট ৱিন্নরশিংগী মরক্তা অশোকপা য়াওবদগী কনানা ৱিন্নর ওইখিবগে হায়বদু পাউ অসি ফাইল তৌবা মতম ফাওবদা খঙবা ঙমখিদে। অদুমকপু কেজি ৬৫ মথক্কী কেটাগোরি অসিদা তুংজোইদগী জেদ এস ভৈনিনা অনীশুবা অমসুং সরানামৈদগী দাই ও এন জিনা অহুমশুবা রন্নর্স-অপ তাখ্রে।

এ দি সী সেনাপতিগী ৪৫ শুবা রাইজিং দেগা মরী লৈননা রেষ্টলিং ফোর য়ুনিটি হায়বা থিমদা নুমিৎ হুমনি চুপ্পা চথখিবা রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অদু লোইশিনবগী থৌরমদা এ দি সী চুড়াচান্দপুরগী চেয়রমেন খাইপৌ হাওকিপনা চীফ গেষ্ট, এ দি সী সেনাপতিগী চেয়রমেন এল এম মাকসন্না চীফ হোষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা এ দি সী চুড়াচান্দপুরগী এক্সিক্যুটিভ মেম্বরশিং অমসুং এ দি সী সেনাপতিগী মেম্বরশিং, দি এল ওশিং অমদি তোঙান তোঙানবা ওর্গেনাইজেসন কয়াগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা এ দি সী চুড়াচান্দপুরগী খাইপৌ হাওকিপনা হায়খি, এ দি সী সেনাপতিগী ৪৫ শুবা রাইজিং দেগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল ওপন ইন্দিজিনস রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা শান্নরোয় ১২১ না শরুক য়াখিবা অমদি মীওই লিশীং ময়ানা চেম্পিয়নশিপ অসিবু য়েংবা লাকখিবা অসিমক অফবগী খুদমনি। মসিনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবশিংগী মরক্তসু হেন্না নুংশিনবা পুরকপদা নক্তনা হান্নদগী লৈরক্লবা মরীশিং অদু হেন্না চেৎশিনহনবা ঙম্লগনি।

চহী ৪৫ শুরক্লবা মণিপুরগী ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলশিং অসি ঙসি ফাওবা বজেট অমত্তা লৈরকখিদবনি। অদুমকপু বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লাকপদগী হৌজিক এ দি সীশিংগী তোখায়বা বজেট লৈগদৌরে।

নাগালেন্দগা তাইনবদা লৈরিবা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মীয়াম্নসু পুকচেল চাউথোক্তুনা লমদমসিগী য়াইফননবা হেন্না থৌদাং লৌবিরক্কনি থাজে হায়নসু ফোঙদোকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর ওইখ্রবশিংদা দাইজ মেম্বরশিংনা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি। কেজি ৬৫ মখাগী ওইনা চেম্পিয়নগী মনাদা লুপা লিশীং ৮৫ অমসুং রোলিং চেম্পিয়নশিপ বেল্ট য়াওরি। অদুগা অহানবা, অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা রন্নর্স-অপকীনা লুপা লিশীং ৫০, লুপা লিশীং ৩০ অমসুং লুপা লিশীং ২০ য়াওরি হায়রি।

সাই আর সী অমসুং এস সী কে দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা অৱাং সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা ২৪ শুবা এল সঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা সাই আর সী অমসুং এস সী কে দ্রো চৎখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম ৮ না শরুক য়ারগা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ২১শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবদগী সাই আর সী অমসুং এস সী কে শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্তা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। মেচকী ৩৬ শুবা মিনিটতা এস সী কেগী জর্সি নম্বর ৪ রিসিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না মাঙজিল থাহনখি। মেচকী ৪০ শুবা মিনিটতা সাই আর সীগী জর্সি নম্বর ১১ টি ঐচরাজেন্না গোল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু ১-১ দা ইক্বেলাইজ তৌখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্তা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদসু টিম অনীমক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। মেচকী ৪৪ শুবা মিনিটতা সাই আর সীগী জর্সি নম্বর ১০ সী ঐচ কন্যান্দরনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ২-১ দা মাঙজিল থাখি। অদুবু মেচকী ৬৯ শুবা মিনিটতা এস সী কেগী জর্সি নম্বর ২৪ টি ঐচ রঞ্জয়না গোল অদু হন্দোকখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা টিম অনীমক্তা অহেনবা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মখিদে। মেচ গোল ২-২ দা দ্রো চৎখি।

জুনিয়র করাটেকা থোকচোম রোজি চনু শ্রী লঙ্কাগীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে

SHITO RYU KA
OF INDIA
TIONA
TO RYU KA
E FEDERA
, IN
MANIF
Ryu Mani
r member of
RAT
CIATIC
FEDE
AR
M SING
SIAN C
LANG
VEST.

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : শ্রী লঙ্কাগী কলম্বোদা লৈবা সুগথা দশা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা লাক্লিবা ওগষ্ট ৩ দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৪ শুবা সাউথ এসিয়ন কেদেট, জুনিয়র অমসুং সেনিয়র করাটে চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ তা শরুক য়ারুনবগীদমক মণিপুর অমেচর করাটে দো এসোসিএসন (মাকা) গী জুনিয়র করাটেগা থোকচোম রোজি চনু ইম্ফাল থাদোকখ্রে হায়না মাকাগী জোইন্ট সেক্রেটরি সেনসৈ মুতুম বঙ্কিমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, চেম্পিয়নশিপ অসি সাউথ এসিয়ন করাটে ফেদরেসন্না শিল্লগা শ্রী লঙ্কা করাটে ফেদরেসন্না হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরি। থোকচোম রোজি চনুনা ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা কেজি ৪৮ মখাগী জুনিয়র গার্লস কুমিটেদা শরুক য়াগনি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক মহাকপু করাটে এসোসিএসন ওফইন্দিয়ানা খল্লকখিবনি।

থোকচোম রোজি চনু পাৎশোই পার্ট ফোরদগী থোকচোম সনামনি অমসুং থোকচোম ওংবী ইচন দেবীগী মচানুপীনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

রেফ্রিশিংদা সার্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখ্রে

At : M.U. Sports Complex
by : All M
Kung Fu Brotherhood

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : ওল ইন্দিয়া কুংফু ফেদরেসন অমসুং নোর্থ ইষ্ট কুংফু ফেদরেসন্দা এফিলিএট তৌবা ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ডাক্তর কমল ইনেদার ষ্টেদিয়মদা জুলাই ৪ অমসুং ৭ তা পাঙথোকখিবা টু দেস সেমিনার ওফ রেফ্রিস ওফ দ ব্লেক বেল্ট হোলদরস এন্দ ইন্সত্রক্টর (ওল ষ্টাইল) দা শরুক য়াখিবশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখ্রে।

সেমিনার অদুদা শরুক য়াখিবা রেফ্রিশিংদা সার্টিফিকেট য়েন্থোকখিবা থৌরম অদুদা ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. সী ঐচ প্রদিপকুমার, য়ুনিয়ন অসিমক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ নোরেন্দ্রো, সেক্রেটরি এস রাজেশ্বর অমসুং টেক্নিকেল দিরেক্টর টি ঐচ শান্তিনা প্রিসাইদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ওল মণিপুর কুংফু ব্রদরহুদ য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ডা. সী ঐচ প্রদিপকুমারনা হায়খি, য়ুনিয়ন অসিনা শকখঙদুনা ঙসি য়েন্থোক্লিবা সার্টিফিকেট পায়রবা মীওইশিং অসিনা ষ্টেট অসিদা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট/চেম্পিয়নশিপশিংদা ওফিসিএল রেফ্রি ওইবগী অয়াবা পীগনি। মপান লৈবাকশিংদা ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা চৎপা মতমদনা মণিপুর টিমগী কোচ মেনেজর নৎত্রগা ওফিসিএলশিংসু অসিগুম্লবা সার্টিফিকেট হোলদরশিং খক্তনা ওইগনি। সেমিনার অসিদা শরুক য়াহৌদবা ব্লেক বেল্ট হোলদরশিংনা য়ুনিয়ন অসিনা মথং পাঙথোরক্কদবা সেমিনারশিংদা শরুক য়াবিয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট

ৱাই ও এস সী অমসুং দি ও এ কে মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী মিৎয়েং মখাদা ক্ষেত্রিগাওগী অবা (এ বি এ) গ্রাউন্দদা চথররিবা মহারাজ কুমার গনেন্দ্রজিৎ মেমোরিএল সুপর দিভিজন ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা ৱাই ও এস সী অমসুং দি ও এ কে মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.২৫ তাবদগী এস এস সী অমসুং ৱাই ও এস সী শান্নখি। মেচ হেক হৌবগী অহুমশুবা মিনিটতা ৱাই ও এস সীগী জর্সি নম্বর ১০ এন জি জিতেন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু হন্দোক্নবা এস এস সীগী মায়কৈদগীসু কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৩৩ শুবা মিনিটতা ৱাই ও এস সীগী জর্সি নম্বর ২৪ অসমির শাহনা গোল অমগসু চন্দুনা মহাক্কী টিম্না গোল ২-০ দা মাঙজিল থাখি। গোলশিং অদু হন্দোক্নবা এস এস সীনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোলশিং অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা এস এস সীনা চোকথবা নাইদনা এটেক কয়া চথরকখি। মেচকী ৬৯শুবা মিনিটতা এস এস সীগী জর্সি নম্বর ৯ ও মোচানা ফংবা ফজরবা পাস অমা গোল ওন্থোক্তুনা মেচ অদু গোল ১-২ দা লৈহনখি। হনবা লৈতনা এস এস সীগী শান্নরোয়শিংনা অতোপ্পা গোল অমদুসু হন্দোক্নবা কন্না শান্নরকখি। মেচকী ৭৯ শুবা মিনিটতা এস এস সীগী জর্সি নম্বর ১২ এম দি সহিদ অলিনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু গোল ২-২ দা ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্তা গোল ২-২ দা লৈখিবদগী মেচ অদু থোইননবা মখা তাবা গোল চন্নবা মায়কৈ অনীমক্তংগী হোৎনরকখি। মেচ লোইরমদাইগী ৮৯ শুবা মিনিটতা ৱাই ও এস সীগী জর্সি নম্বর ২৪ অসমির শাহনা ফংবা ফজরবা পাস অমা গোল ওন্থোকখি। অসমিরনা চনখিবা গোল অদু মায় পাকপগী গোল ওইখি। মেচ অদু ৱাই ও এস সীনা এস এস সীবু গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৪ শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদগী য়ু এস এ অমসুং দি ও এ কে শান্নখি। মেচ অদু হেক হৌবদগী টিম অনীমক্তা অকনবা লম্বা তৌনখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চল্লকপা ফাওবদা টিম অনীমক্তা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। মেচকী ৩৪ শুবা মিনিটতা দি ও এ কেগী জর্সি নম্বর ১৩ ইরাবতনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০ দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইদ্রিঙৈদা হন্দোক্তবা য়াদে হায়বগী মতাগুম য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংনা অকনবা এটেক কয়া চথরকখি। অদুবু এটেকশিং অদু দি ও এ কেগী শান্নরোয়শিংনা নিংথিনা দিফেন্ন তৌবদগী অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী হৌনা য়ু এস এগী শান্নরোয়শিংনা গোল অদু হন্দোক্নবা অঙকপা ফংনা হোৎনরকখি। য়ু এস এগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনরবসু দি ও এ কেনা য়াম্না ফজনা দিফেন তৌদুনা গোল ওন্থোকপা ঙমহনখিদে। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু দি ও এ কেনা য়ু এস এবু গোল ১-০ দা মায়থীবা পীরমখি।

মেচ অদুদা য়ু এস এগী সী ঐচ কেনসন অমসুং এল রোকি মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি। অদুগা দি ও এ কেগীনা টি ঐচ হাওকিপ, ৱাই গোজেন অমসুং ঐচ সিটিল মেচ রেফ্রিনা কোসন পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা এস এ কে অমসুং আর এ য়ু (রাও) শান্নগনি। অদুগা নুংথিল পুং ৩ তাবদনা এন আই ভি এস ও অমসুং পি ৱাই এ শান্নগনি। লাক্লবা ওগষ্ট ৪ গী নুংথিল পুং ১ তাবদনা এস এস সী অমসুং য়ু পি এ শান্নগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩ তাবদনা য়ু এস এ অমসুং য়ু পি এ এ শান্নগনি হায়রি।

মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : মিনুথোংদা লৈবা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসনগী কনফরেন্স হোলদা লাক্লিবা ওগষ্ট ৬ কী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা এসোসিএসন অসিগী এন্যুএল জেনরেল বোদি মীফম অমা চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্লগনি। মরম অসিনা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসনগী মেম্বর খুদিংমক্না মতম চানা মীফম অসিদা শরুক য়ারনবা মণিপুর মাউন্টেনিয়ারিং এন্দ ত্রেকিং এসোসিএসন (এম এম টি এ) গী সেক্রেটরি ৱাই সুরচান্দনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

প্লেয়রশিংদা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০২ : চহী অসিগী সেপ্তেম্বরগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্কদৌরিবা সব জুনিয়র গার্লস নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ষ্টেট টিম শেম শান্নবগীদমক দি এস এ বিষ্ণুপুরগী নুপীমচা শান্নরোয় ১০, দি এস এ ককচীংগী নুপীমচা শান্নরোয় ১৯, আই দব্লিয়ু দি এফ এগী নুপীমচা শান্নরোয় ১৪ অমসুং আইঈ দি এফ এগী নুপীমচা শান্নরোয় ১৯ লাক্লিবা ওগষ্ট ৬ কী অয়ুক পুং ৮ গী মমাঙদা ইম্ফালগী আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দদালাক্তুনা রিপোর্ট তৌরনবা অন্ফাগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

See better through us...
Yumnam Eye Care
RIMS Road, Imphal West Manipur
Computerised Eye Testing & Contact Lens Clinic
NEW SUMMER COLLECTION
Authorized Dealer
K&L
LUXOTTICA
VOGUE
Ray-Ban
Fastrack
Consultant Timing :
Morning- 8:00 am - 12.00 noon
Evening- 2:30 pm - 5.00 pm
Sunday - 8:00 am - 12.00 noon
HL-B/4010/15/7-8/08